# খন্বা থোইবী শৈরেংদা মঙগী মফম : মঙনি হায়দুনা থৌশাদবগী মাঙজবসু লৈ, মরী লৈনবা থৌদোক ৱাথোকশিংনা খুদোম্বী থিন্দুনা তাক্লি

ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী

তূম্বদা মঙ মঙদবা মী লৈরমগনি থাজদে। কনাগুম্বা খরনা মঙ হায়বসি তূম্লিঙৈদা খনবা ৱাখলনি হায়নবসু য়াওই। অদুবু অয়াম্বনদি তুংদা থোক্লগদবা অৱাবা নৎত্রগা নুংঙাইবা থৌদোক অমা থোক্কদৌরে হায়বদু মাঙজৌননা তাকপনি হায়নৈ। অখঙ অহৈশিংনা থম্বীরিবশিংগী মরক্তগী অমত্তং লৌখৎচরি, "Your future depends on your dreams, so go to sleep" - Mesut Barazany, থাঙ্গৈশেংনমক হায়রবদা তূম্লিঙৈদা মঙবা মঙগা তাইবঙদা থোকপা থৌদোক্কা মরী শুংলৈমক লৈনদে হায়বদি য়ারোই। অদুবু মী অমদা থোকপদুগা অতোপ্পা অমদা থোকপগা খেন্নবসু য়াওই। খুদম ওইনা হায়রবদা মী অয়াম্বনা হায়নৈ, ‘ঙসি অহিং মঙদা অঙৌবা ঙা উরম্মী, দাউ য়াগনি, শেল শোয়দনা ফংলনি।’ ইশামক্কী ওইনদি মদু তাইওন্নবনি। মদু হেক উরল্লবা দাউ শুংয়া য়াদ্রে, ৱাথী তাগল্লি। মঙদা অমাংবা উরবদি শেল হেক্তমক ফংই। কনাগুম্বা খরনা ফত্তবা থৌদোক থোকপা য়াই হায়না চিংনবা মঙবু মকু মঙ/চাকমঙ/মঙগ্রেম হাগেম্নবনি হায়না ইরায় লায়না খন্দোকপসু য়াওই। অদুবু কনাগুম্বা অমদা থোকহন্নীংদবা অৱা অনা থৌদোক থোক্লকপা মতমদা মঙ নুংঙাইরমদবগী ৱাফম হেক হেক ফোঙদোক্লে। মতৌ অসুম্না মঙগা মীওইবগী পুন্সি অমসুং লাইবক্কা কৈদৌনুংদসু থাদোক্লবা য়াদ্রবা মরী লৈনৈ হায়বগী খুদম চাংদম ময়াম অমা ফংলি। অখঙ অহৈ ময়াম অমনা ইথোরকপা ঈশৈ, শৈরেং, ৱারীমচা, নোভেলনচিংবগী মরক্তসু মঙগী মফম পাক চাউনা কন্দুনা থম্বা ময়াম অমা য়াওরি।

মতৌ অসুম্না মীওইবগী পুন্সিদা থোকপা অৱা নুংঙাই থৌদোকশিংগা মঙগা মরী লৈনবা মতাং কয়া খুন্নাই অসিগী ফোকলোরদসু মরাং কায়না য়াওবা থেংনৈ। মোইরাং কংলৈরোনগী য়াম্না মরু ওইবা তাঙ্কক অমা ওইরিবা খন্বা থোইবীগী ৱারীদা য়ূম্ফম ওইদুনা শাগৎপা, মহাকবি হিজম অঙাংহলগী ‘খন্বা থোইবী শৈরেং’দা মঙগী ওইবা পাক চাউরবা ফিদা অমা কন্দুনা থল্লি। ‘ফি ৱায়বা’ মতাংদা খন্বা খম্নু মচিন মৌপ্বাগী অৱা পোৎলুম খম্নুগী মঙতাক্লা থাংথবীখি। লৈরোই মকোক হাপ্লবা খন্বা নোংবান অনীনা মোইরাং থাংজিং হরাউবগী লৈ লাংননবা লৈ হেক্লুরবা মতুংদা য়াচঙবদা খম্বগী থোঙ্গালদা নোংবান্না ফত্ত লৌশিং শীজিন্নদুনা কেগে মোইরাং লম্বীদা, থাংজিং লাইগী শুমাঙদা ফিমান্নদবা য়ারোই, ফি ৱায়বসু পীবা য়ারোই, অহকপা চৈরাক ফংগনি, লৈবাক নিংথৌগী য়াথংনি হায়না মীনম্লগা মখোন ওন্দুনা লাউরম্মী। মদু তাবদগী মচিন মৌপ্বানা অহিং নোংয়াইদা থাঙ্গারাকপগীদা ফি ৱায়বা চৎলম্মী। অথীবা মীচৈ তারগা হল্লক্লবা মতুংদা ইকায় নুংশি য়ান্নরবী খম্নু মবুক্লিং নুংশিনা কপ্লম্মী। কাইনথংদা ঙাইহাক তূমথখি। মমঙদা মোইরাং থাংজিং হরাউবা চৎপদা শেৎনবা পলেম পন্থৌ লৈত্রবা লমজা মচিন মৌপ্বাগী ফিজোল লৈতে হায়না কপ্লম্মী। মতম অদুদা লাই ওইখ্রবা পলেম পন্থৌ, ঙাংখরৈমা - পুরেম্বা অনী লাক্তুনা অসুম্না হায়রম্মী, “পারি ইমোম অনীবু/করি ৱারুরিবগে, ইচা’নিগী ৱাৎতনা/তাবু লূবাক কয়াবু থনম্বনি থোংলেন্দা/লৌরু শেৎলু।” মঙতাক অসিনা লমজিং লমতাকপীদুনা মচিন মৌপ্বানা থোংলেনগী মনাক্তা লাকিখ। মমা-মপানা থম্বীরম্বা ফিজেৎ লৈতেং থোংলেন্না পুথোক্তুনা মচাগীদমক পান্থোম তিংবীখি, খম্ববু অৱাফমদা তাহন্নবা শীনবা নোংবানগী থৌরাং মায় পাকখিদে।

উকায় কাপ্পগী থৌদোক্তা ৱাথোক অমা থোকখি। মোইরাং নিংথৌগী মনাউ ইবুংঙো চিংখুবনা খোয়দাজবা ফি অমা মজইবেম্মা থোইবীনা মথংলেন খম্বদা ফূরিৎ ওইনা তূরগা খুদোল তমখি। মনুংদা লীৎপা ফূরিৎ অদু চীংখুবনা উখিবদগী খম্ববু হাৎলগে হায়না চপ য়ুংনা লেপখি। ফিদুগী মলোম্না চিংখুবনা খম্ববু অকাবদা তেন্ন তম, অকূম্বদা তানা তমদুনা পুন্সি তেমশীংনরক্কদৌরি হায়বসি খম্নুগী মমঙদা ফাওখি। ৱারী পরিং অসিগী শীংথাবা য়াবদি তাইবঙ মীওইবখক্তমক নত্তনা শা-কৈসু মঙ মঙই হায়বসিনি। কেগে চৈরাপ তিন্দুনা ৱারেপ্পবগী মতুং ইন্না চিংখুবা, নোংবান, ফৈরোইজাম্বা খম্বনচিংবা অকন অথৌ ময়াম তোর্বুংদা শা তানবা চৎলম্মী। মতম অদুদা সঙাই অমোমগী মমঙদা মখোয় অনীনা লৈরিবা মফম অদুদা শাদানবশিংনা থাবা মৈ অমদি মখোয়না পুরকপা হূইয়াম্না কোয়শিল্লক্তুনা ৱানা চেনমিন্নরবা মতুংদা লাবনা চেনখ্রগা অমোম্না লৈহৌই হায়না তম্বগা লোয়ননা মফম অদু থাদোক্লকসি হায়না লাবদা হায়রম্মী। মঙ অদু তাইবঙদসু চপ চানা থোক্লম্মী। সঙাই লাবনা চেনখ্রবা মতুংদা অমোম অদু লৈহৌখি।

খন্বা থোইবী ৱারী পরিংদা খ্বাইদগী থম্মোয় শোকপা মতাংনি, শামু খোঙয়েৎপা। চিংখুবা নোংবান অনীনা লৌতুনরগা অহিং নোংয়াইদা খম্ববু কৌরুনবা দোলাইপাবা থারম্মী। মোইরাংগী লোই লম ওইরিবা তোর্বুং হাওখুনবু শা ময়াম লাক্তুনা নৈখাইবদগী কন্ননবা লৈবাক মীয়াম চৎনখ্রে, চিংখুবা নোংবান অনীসু মোইরাং খোরী কৈথেলদা লেঙথোকহৌরে হায়না তম্লম্মী। মতুং তারকপদা খম্ববু নোংবান অমদি খূৎনেক নুপা নিফুমঙা অমসুং চিংখুবনা শিবা য়ানা ফূরগা শামু খোঙদা য়েত্তুনা মোইরাং খোরী কৈথেলদা চিংলম্মী। কাইনথংদা থোইবী চেল্লক্তুনা খম্ববু কঞ্জহৌই। অদুবু শাথীনা শোকপদগী ৱাখল মাঙদুনা লৈখ্রবদা কবুই সলাং মাইবনা মথ্বায় মমি কৌদুনা শিনিংচিত্তা খন্বা হিংহৌই। খম্বদা শিবা নাবগা মরী লৈনবা অকি তুজুংবা চৈফু ফংগদৌরে হায়বসি মচেম খম্নুগী মঙদা তাক্লম্মী। মাগী মঙ অদুদা মচিন মৌপ্বা অনীমক চাউদ্রি। খম্নুনা খম্ববু লৈকায় মনে মন্দোনশিংদা মবুক পীথকহল্লুরগা মৌপ্বাবু পোরগা হল্লকপদা খুন্দিনবীগী লম্লোং লাইথবান য়ৌরকপা মতমদা নোংচুপ মায়কৈরোমদা য়াম্না য়াক্লা ঙংবা খোঞ্জেল অমা তাখি। করিনো হায়দুনা খম্নুনা য়েংলুবদা থাংজিং চীংগী অৱাং থংবা শরুক্তু ফক্তোক্লগা মখোয় তম্না পাইশিল্লকখি। মৌপ্বাবু পোরগা ময়ূম য়ৌনবা চেল্লক্লম্মী। ময়ূম য়ৌগদবা লৌ পরিমুক্তা ঙায়রকপা মতমদা নাহোং অদু নাম্থোক্তুনা খন্বা লোংনা তারম্মী। মানা লৌখৎকে হোৎনজবা অরেম্বা ওইখি, চীংদুনা ননশিনবীখ্রে। খম্নুনা লৈবাক খোত্তুনা অমদি লৈমায়দা খূত্তুম্না শুরগা কপ্লিঙৈদা মোইরাংগী মতিক মগুণ লৈবা লম্বোইবা অমা লাক্লম্মী। মরম পূম্নমক অদু খঙহল্লবা মতুংদা মৌপ্বাগী মথ্বায় কনবীয়ু হায়জরম্মী। লম্বোইবা অদুনা পায়রকপা মচিন অহুম লোংবা টা অদুনা চীং অদুদা য়ৈশিল্লগা কাঙখৎহল্লবা মতুংদা খম্নু শত্তোক্লম্মী। লম্বোইবনা মন্ত্র কাম্বীরবা মতুংদা খন্বা হিংগৎলক্তুনা মচেম্না অমুক পোশিল্লগা ময়ূমদা হল্লকখি। ময়ূম য়ৌদ্রিঙৈদা খম্নু মীৎকপ থোরকখি। মসিনসু লোইদে, খম্বগী পুন্সি খাঙুথক্তা কেমহনখিবা য়াদে, মোইরাং লীলা মপূং ফারোইদৌরি। নোংঙাল্লমদাই অমম অঙান শিন্নবা মতমনি, লাই ময়াম খুন্দন্নে, খম্বগী পুন্সি করম কনসিবা খন্নে। অয়াংলৈমা পান্থোইবী চোংথোক্তুনা মাগী থৌদাং ওইরগে হায়রকখি। লাইয়ামসু হরাউরে। থোইবীনা ইয়োং মথক্তা ফি শানা শানা হাইফেৎ উইথরুই। তাঞ্জাদুদা পান্থোইবীনা থোইবীগী মমাতোন ওইনা মমঙদা লাক্তুনা হায়রে, - থোইবী হায়বী অপংবী/থংলেন নমান মচাদি মোইরাং খোরী কৈথেলদা/নপাবুংগা নোংবানগা অনী ৱাতানদুনা/মোইরাং মচা কয়াগা য়ৈবমখৈ য়ৈরগা/শামু খোংদা য়েৎহৌরে লাঙ্গোই খোংদা পুন্দুনা/কৈথেল চেগাই সৌশাবা, উপ্পা-তার-উপ্পা-চিং/লোংনা-তার-লোংনা চিং, কৈথেল কারন সোম থা/ইঙাং-পাক্তক্ল হৌরে-ইমু পামফেন্নহৌরো/নুজা খোংহৌ থিল্লদি য়াইবী মাঙবা’ হাল্লনি/নঙদি কৈদৌরিবগে থিল্লে থোইবী চেল্লুনে।” মতৌ অসুম্না মঙতাক্লা পান্থৈ ওইদুনা থোইবীনা খম্ববু কনবা ঙমজখি। থোইবীনা খম্ববু ফমশেন্নদুনা খুমন য়ূমদা লৈরিঙৈদদা মথংলেনগা কায়নবগী ফীভম মমাঙদা ফাওরম্মী। মমাতোন থারক্তুনা থোইবীবু কৌহল্লে, কবোদা লোই থাখি। থোইবীনা কবোদা লৈরিঙৈদা খম্বগী মমঙদা লাক্তুনা চাক চারগা হনখি। মদুনা কাইহৌবীদুনা খম্বনা থৌনা লৈনা কবোদা চত্তুনা থোইবীগা উনরুই। ৱাথোক অদুগী ৱায়েন লোইখ্রবা মতুং মঙানিশুবা নুমিৎকী অহিংদা চিংখুবগী মমঙদা থোইবী লাক্তুনা চাক চাগে হায়রম্মী হায়না মাগী তালোইশিংদা তম্লম্মী। মমাশিংগী মমঙদসু লাক্লম্মী হায়নরকখি। মদুদগী চিংখুবগী য়াথং মতুং ইন্না থোইবীবু কবো লোইদগী কৌখৎখি। পূম্নমক অসি য়েংলুরগদি ‘খন্বা থোইবী শৈরেং’দা উৎলি মদুদি তূম্লিঙৈদা মঙবা মঙনা মী অমগী পুন্সিদা ইথিল তত্তনা পী। ●

# ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং এন এস সী এন (আই-এম) গী মনুংগী ৱাখল

- বি অঙৌম্না শর্ম্মা -

*মণিপুরীশিংনা থাজগদবসি কনাদনো? সী এ বি, এন আর সীনা মণিপুরবু কোয়শিল্লক্লিব্রা? করম্বা মতমদা মৈগী চীং পোকখায়রক্কদগে অমসুং ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মদুদা য়েংশিনবীগদ্রা?*

মতম শাংলবা, কুম পুরবা লৈঙাক মনুংগী ওইবা ৱাখল য়াওবা; ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং এন এস সী এন (আই-এম) গী মরক্কী ৱারী শানবা; পনবদা মতিক চারবা শ্রী অটল বিহারী বাজপায়ী অমসুং নরেন্দ্র মোদিগী এন দি এ লৈঙাক অনীগী ৱারী শানবা মণিপুরগী ঙমখৈদা ঙাথদুনা লৈরবা; করম্বা মতমদা চীংগী ইচিন-ইনাওশিংনা কল্লিবা চীংগী লম অসি শোইদৎখিগদগে হায়বা খঙবা ঙমদ্রবা মতমনি। ইন্দিয়া লৈঙাক্লা জুন ১৮বু তুমিন্না লৈথোকপা ঙম্মী। অদুগা আইন য়াওদ্রবা গ্রেটর নাগালেন্দগী খঙন-খঙনা, আইন য়াওদনা লম তকশিল্লকপবুদি য়াম্না পূক্লিং চঙনা লৌবিরি। গ্রেটর নাগালেন্দগী অপাম্বদি মণিপুর, অরুনাচল প্রদ্রেস অমসুং অসামগী ঙমখৈদা লম খোপচিনবনি।

নাগাগী ৱাথোক ইন্দিয়াদা খ্বাইদগী অরিবা ৱাথোকনি। মসি বৃটিশনা পাল্লিঙৈদগী লৈরকপনি। অদুবু নাউশুম ঈশৈনা শৈথাদুনা থেল্লকপনি, কুমজা ১৯৪৭তগী হৌরকপনি হায়বসি ইন্দিয়ানা নীংতম্বগা হৌরকখ্রবা ৱাফমনি। অদুবু মতম অদুগী লৈঙাকশিংনা খুদক্তা পায়খৎপা য়াবা ৱারেপ অমত্তা লেপখিদ্রি।

ৱাফম অসি অঙীংবা উপুদা, বর্ফ য়াওবা উপুদা হাপ্তুনা মতম লৈবা খিবিক্তা থম্মী। ৱাফম অসিনা পোলিটিসিয়ন ওইরকপদা মীয়ামবু পংথনবা ৱাহৈ কয়া শীজিন্নদুনা চমম্লহন্দুনা থম্মী। ৱাফম অসি লোইশিনবা য়াবা নৎত্রগা মতম শাংনা চৎনবা য়াবা ৱারোইশিন য়াওবা ৱারেং অমত্তা চিংথোক্তুনা থম্বসু তৌদে। অদুবু ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী অরোনবা ৱা লেপ্পবা মানবা কয়াদি উরি। গ্রেটর নাগালেন্দগী মরমদা অচৌবা বন্দ কয়া, ষ্ট্রাইক কয়া মণিপুরদা থোকখ্রে। মৈতৈ মচা কয়ানা থৱায় থাখ্রে। মরমদি মৈতৈ ফুরুপনা লমসিগীদমক খন্থবা খরা হেল্লি হায়বা তাকপনি। মসিগী মরমদি মৈতৈনা মশীং য়াম্বা কাঙলূপ ওইরুবতা নত্তনা দেশ কন্দবা য়াদবা ৱাফমসু লৈ, মসি অচুম্বনি।

য়াম্না শেংবা ৱাফম অমদি বৃটিসনা লৈঙাক থাদোক্লম্বদা মণিপুর নিংথৌ পানবা লৈবাক অমা ওইনা থনম্মী। অচুম্বনি, কুমজা ১৯৪৯দা মণিপুর ইন্দিয়াদা তিনখি। মতম অদু ফাওবদা গ্রেটর নাগালেন্দ কৌবা ৱাফম অমত্তা লৈরমদে। কুমজা ১৯৮০ হেল্লক্লবা মতমদা অঙাংবু নাউশুম ঈশৈনা থেম্বগুম্না নাগা থেম্নবা ঈশৈ ওইনা শকপা হৌরকখি। অদুবু বৃটিশ অমসুং ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অনীমক্লা মণিপুরগী ঙমখৈবু খঙবীরমদবা নত্তে, খঙলম্মী। অদুগুম্বা ঙমখৈ অদু ঙসিদি তপ্পা তপ্পা মাঙহন্নবা, পিকশিলহন্নবা, মেপতগী মূথৎনবা হোৎনরক্লি। অদুগা করম্না বাজপায়ী লৈঙাক্লা খঙহৌদনা ঈংনা তপ্পা লৈজরম্বা মণিপুরগী লৈবাক লৈঙাকপু কায়ননবা মথোং হুক্তবা ৱাহৈ পরেং শেমজিন্দুনা মৈতৈ (মণিপুরী) শিংগী থম্মোয়বু কায়নবা হোৎনরম্মী। অদুগুম্বা ৱাহৈ মতেক খরা অদুনা মণিপুরদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপ মচাশিংদা তোঙান তোঙানবা ৱাখলগী অকনবা চৈথেং পীখি; অদুবু মায় পাকপদি ঙমখিদে।

অদুগা, মসিসু শেংলবা ৱাফমনি, মণিপুরদা লন্নাইগী ওইবা মাঙহন-তাকহনবা থোকহনবা য়াবা খূৎলায় পায়দুনা কিহনবগী থবক তৌবা কাঙলূপতি লৈতে; অদুবু লালহৌবা হায়বসি মশাগী লৈবাক ঙাকচগদবগী চোংথোকখিবা কাঙবুদি লৈখি। মরমদি, মৈতৈ হায়বা কাঙলূপ অসি য়াম্না ৱাখল খনবা ঙম্বা, তুংগী লম্বী শান্না উবা ঙম্বা কাঙলূপনি। মরম অদুনা মশা ঙাকথোকচবা হায়বা ৱাখল অসি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী কন্সটিট্যুসন্নসু শকখঙফম থোকই। মরম অদুনা, মশাগীদমক্তা ওইজবা তানবদা খূৎলায় পায়খিবা কাঙবু অদুগা লালহৌবগা চাংদম্নবা য়ারোই। লালহৌবগী লমচৎ ময়ামগা মান্নদে। মখোয়দা লৈবাক নীংবা, লৈবাক্কীদমক্তা কখোকপা হায়বা পোৎশক্তু য়াওই।

তাঞ্জা অসিদা মণিপুরগী মথক্তা শনি দৃষ্টি ওইরিবদি খুনু খরংগুম্না হুমগদবগী ঙাইদুনা মণিপুরবু মাঙনবা হোৎনবদা মণিপুর লৈবাক্কীদমক্তা কখোল্লবা নহা ওইরিবা মীওই কয়াগী মপুন্সি মাঙনবা হোৎনরব্রা হায়বা ৱাফমসু খন্ননীংঙাই ওই। মরমদি মতম পূম্বদা ইন্দিয়াগী লৈঙাক্লা মৈতৈ ফুরুপকী শীংলি-নাওরিবু তত্তনা শোন্থহন্দুনা ঈং-তপ্পগী ৱারী শাননবা হোৎনৈ। মতাং অদুদা ইন্দিয়াগী লৈঙাক্লা খঙবীগদবদি মৈতৈদা মশাগীদমক্তা খূৎলায় পায়বগী ৱাখল লৈতে; অদুবু নাগাগী ৱাফম লোইশিন্দ্রিবা ফাওবদি নহারোলগী ৱাফম লোইগদবগী মমি উদে; মরমদি মণিপুরগী ঙমখৈ অচৌবা ৱাফমনি। মনুং হুৎনা মিৎয়েং চঙশিন্নীংঙাই ওইবা মরমদি মণিপুরগী কাঙলূপশিংবু থওইদবা ৱাফম অমদি মণিপুরগী ওইবা ৱাফমদা, মণিপুরবু শোক্লক্কদবা ৱাফমদা নীংঙাইদনা লৈথোক্লোইদবা ৱাফমদি অসিনি।

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট হায়বসি এন দি এ লৈঙাক্লা মণিপুরগী মীওইশিংগী থম্মোয় শোকপা ৱাফম কয়াবু মাঙওইনরগা অরোনবা কুটনীতি শান্নবগুম উহল্লি।

অসুম্না হায়, নাগাগী ৱারী শানবদা মণিপুরগী ঙমখৈ মাঙহনবা তৌরোই। মণিপুরগী লম অদুম লৈগনি। অমরোমদনা ঐখোয়না চীংমী কৌজবা (নাগা হায়নসু খঙনরিবা) কাঙলূপ অসিনা খুন্দা লৈতারিবা মফমশিং অসি মণিপুরগী লমদম ওইনা লৈরগসু - নাগাগী ওইবা লৈঙাক অমগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট কয়ামুকপু নীংতম্না থম্লবা ৱাফম খন্নরি; হায়রিবা মনীং মখা তম্বা দিষ্ট্রিক্টশিং অদুগী পৈশাগী অমসুং লৈঙাক-লৈশেম পূম্নমক মণিপুরদগী তোঙানগনি; মতমদুদা মণিপুরগী লৈঙাক্লা খূৎ থিংজিনবা য়ারোই। মসিবু ওইথোকপা য়াবা ৱাফমলা? ষ্টেট অমগী মনুংদা ষ্টেট অমা মনীং মখা তম্না লৈবা হায়বা ৱাফমসি ওইথোকপা ৱাফমলা?

মরম অদুনা নাকল অনীগী ৱারী শানবগী ৱারেং খুদিংমক মণিপুরগী মীয়াম্বু ময়েক শেংনা খঙহনবা তাই; অদুদসু নত্তনা মায়কৈ অসিগী মীয়ামগীদমক্তা আইন্না য়াবা থৌওং ওইবা তাই।

মতম মতমগী ওইবা কাঙলূপ অনীগী হায়বদি এন এস সী এন (আই-এম) অমসুং ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী ওইবা ৱারেং খুদিংমক মীয়াম্বু ময়েক লানা উহনবীবা তাই। অদুম তৌরবতদা অফ-ফত্ত, মওং-মরীল খুদিংমক মীয়াম্না উবা ঙমগনি; অদুদতা অচুম অরান কয়া লৌথোকপা-হাপচিনবা য়াগদবনি। অসুম্না তৌববু গনতন্ত্র কৌগনি। নৎত্রবদি অরানবা, অপাম্বা কয়া অদো নাউশুম ঈশৈ শক্তুনা থেমদুনা মণিপুরগী মীয়াম্বু পংথহন্নবা হোৎনবা তারবদি অতোপ্পা জুন ১৮ অমা লাকপদা থিংলুবা ঙম্লোই।

করিগুম্বা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং এন এস সী এন (আই-এম) গী ৱারেপ্পবদুনা মনীং তম্না দিষ্ট্রিক্ট কয়াবু শক-তাক্লকপা তারবদি মণিপুরনা অকনবা লানবন অমা শেমগৎলকপা য়াই। মদুগী অমাঙ-অতাগী থৌদাংদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা পুবিবা তাই।

খ্বাইদগী চাউনা শোয়রিবদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা এন এস সী এন (আই-এম) গা ৱারী শানবদা মণিপুর, অরুনাচল অমদি অসামগী মীহুৎ য়াওহন্দবা; রাজনিতিক ওইদবা, রাজনৈয়ক ওইবা; য়াম্না চাউবা ৱাফম্বু কেরানিদা শিন্নবা; ইন্টরলোক্যুটর অমনা মণিপুর লৈঙাক্তগী ৱাংনা থম্বা ৱাফম অসিনি।

অরোইবা ওইনা খঙহঞ্জগদবদি মণিপুরগী মীহুৎ য়াওদনা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবীগনু হায়বা ৱাফম অসিনি।

‘ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা অচুম্ববু তকখায়খিবদি য়াই অদুবু মপাঙ্গল কনবা লৈঙাক খুদিংমক অফবা লৈঙাক্তি ওইদে।’ ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০০

১। ‘কোন্থৌজম য়ূমফম’ মণিপুরী পুৱারীদা চাউনা মফম কল্লিবা অমনি। হৌজিক রাজ্যপালনা লৈরিবা মফম অসিনি। মফম অসিদনি মৈদিংঙু চীংথংখোম্বনা ইহান হান্না কাঞ্চিপুরদগী হোঙ্গৎলকখিবসু। খ্বাই খুনফমসু কৌই।
(ক) মৈদিংঙু অসিনা হোঙ্গৎলকপদু শক কয়াদনো?
(খ) শক কয়াদনা মফমসিদা হোঙ্গৎলক্লবা লৈবাক শূবা হৌখিবগে?

২। “চাউবসু কবিনি হায়বদা কনাসু য়েৎলোই। অদুবু কমলগা ফম্মিন্নবদদি য়েংবদা নুংঙাইতে।” ৱাফম অসি কনানা হায়রম্বনো?

৩। “ঐগী ইচে, ঐগী শকয়েং মিংশেলনি। ...ঐগী ইচেদি পোকখায়গদৌবগী ঙাইদুনা লৈরিবা বোমনি।” ৱাফম অসিমনা কনানা হায়বনো?

৪। “হৌজিকপু তূম্বা মতমলা ইতা/ময়াং ক্বাক্লা লাক্লা খোংলি/মীনাই য়োহ্লিং কক্কনি চৎখিবা/নথংলেন শিবগী অশি পাউনিনে।” ৱাফম অসিনা অইবী কনানা হায়রিবনো?

৫। “নোক্কনবী নঙনা নোকখিদ্রবদা/নোকশিরা ঐবু কপশিরা?” ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংনি। কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## মরোল থোকপা লাই




পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।